# ঐহাক্কী পুন্সিগী ওইবা পান্দমদি এসিয়ন গেমস অমদি ওলিম্পিক গেমসতগী মেদল লৌবনি : হেমাম চাউবা

(হান্নগী মখা...)



হেমাম চাউবা
(ইন্টরনেসনল বোক্সর)



কুমজা ২০১৫দগীদি ঐহাক বি এস এফ (দেল্লি) তা হেদ কোন্সটেবল ওইনা জোইন তৌজরকখি। বি এস এফতা ঐখোয় মণিপুরী মচা লৈরিবসি পূন্না মঙানি। নুপী বোক্সিংগী বি এস এফতা প্লেয়র লৌবসি ঐখোয়গী বেটচ অসি অসিনা অহানবনি। মণিপুরদগী বি এস এফতা লৈদুনা শান্নজরিবসি তোনিবালা, জমুনা, ফেন্সি, ৱাই সন্ধ্যারানি অমসুং ঐহাক্কা ঐখোয় মঙানি। হৌজিক হৌজিক বি এস এফতা লৈরিবা অপূনবা নুপী বোক্সর অসিনা পূন্না ২০নি। মরুওইনা হরিয়ানা ষ্টেটতগী মাপল, মণিপুরদগী মঙা, অতৈ অতৈনা ঝরখণ্ড, বিহারনচিংবদগীনি। খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৈবসিনা হরিয়ানানা ওইরি।

হৌজিক হৌজিক বি এস এফতা লৈরিবা নুপী বোক্সরশিং, ত্রেনিং পীরিবা কোচ অসিনা দেল্লিদগী সার যোগিন্দর দাগর হায়বসিনা পীবিরি। সার মশামক বোক্সিং হান্না শান্নরকপা মীওই ওইবনা ঐখোয়বু য়াম্না ফজনা তাকপী তম্বী। অদুগা ইন্দিয়া কেম্পতা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ত্রেনিং তৌবিরিবসিনা অনুপ সারনি। ইন্দিয়াগী ওইনা বোক্সিংদদি অফবা কোচ খরা অদুম লৈ। অদুনা, বোক্সিংগী ত্রেনিং তৌবসি পেন্দবা থোইনা লৈতে।

বি এস এফতা জোইন হেক তৌজরকপদগী ঐহাক মেদলদি অদুমক পীজদুনা লাক্লি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২৭তগীনা ৩১ ফাওবা রোটক্তা তৌখিবা 'ওল ইন্দিয়া পুলিস ক্লষ্টর মীট' তসু কিলোগ্রাম ৬০গী কাঙলূপ্তা ঐহাক সনাগী মেদল লৌবা ঙমজরকখি। হায়রিবা পুলিস মীট অদুগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ঐহাক্কা অকনবা লম্বা তৌনখিবসি উত্তরখণ্ড পুলিসকী বোক্সর বিনাতাগনি। মহাকসু কিলোগ্রাম ৬০গী কেটেগোরিদা মমিং লৈরক্লিবা শান্নরোয়নি। অদুনা ঐখোয়নিগী বাউটতু খরা কন্না অদুম শান্নজখি। ফাইনেলদদি হরিয়ানা ষ্টেট পুলিসকী মশক নাইবী বোক্সর প্রিটিকুমারীগা থিন্নখি। মহাক্তি ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বোক্সর অখিলকুমারগী মচানুপীনি। প্রিটিকুমারীগা শান্নখিবা অসিমদি ঐহাক অদুক্কী মতিক চেকশিন্না শান্নজখি। লৈবাক্ল

া শকখঙনবা বোক্সর অমসু ওইবনিনা ঐহাকসু খোঙফম অমত্তা শোয়হনবা য়াদে খঞ্জরগা ইবুধৌ থাংজিংবু থম্মোয়দা চেৎনা থাগোন্নজরগা লম্বা তৌনজখি। মহাক্না ফনা ফাওবা প্লেয়র ওইরবসু ঐনা কাদবা য়াদে খল্লগা শান্নজখিবনা ফাইনেলদুদা ঐহাক মায় পাকপা ঙমজরকখি। তশেংনা হায়জরগসু অফাওবা মমিং লৈবা প্লেয়রগা শান্নবসি ঐঙোন্দসু য়াম্না নুংঙাইজে। ৱাখল অমসু মতোমতা ফাওজরকই। অদুনা, তোঙানবা থৌনা অমসু হেক্তা লাকই। মীওইবগী পূক্নিং ৱাখলসিসু অঙকপা অমনি।

অদুগা, বোক্সিং শান্নরোয় অমা ওইনা ফোঙদোকচনীংবা ৱাফম অমদি, বোক্সর ওইজরিবা ঐখোয়না হেন্না পামজবদি থিওরিগা প্রেক্টিকেলগা অনী অসি চপ মান্ননা চৎহন্নীংই। অদুনা, ত্রেনিং কম কম্পিটিসনগুম্বসি শান্নবা চৎচবসি ঐদি য়াম্না নুংঙাইজে। ঐখোয়না তৌজরিবা ত্রেনিং অসি থাক কয়াম ৱাংলবগে হায়বসি ঐখোয়সু লম্বা তৌদুনা চাংয়েংনীংই। টর্কিদা, কাজখষ্টান্দা ইন্দিয়াগী টিম থাবীদুনা শান্নহনীখিবদু য়াম্না ইমপ্রুভমেন্ট ফংজখি। অদুক্কী মতিক শান্নরিমখৈ খোঙ-খূৎ-মীৎ-না শীংবসু য়াম্না হেঙ্গৎলি। মালেমগী অতোপ অতোপ্পা মফমদা খরা তোয়না থাবীদুনা ত্রেনিং কম কম্পিটিসন তৌহনবীরবদি য়াম্না হেন্না ফগৎলকপা ঙমগনি।

ঐগী খ্বাইদগী চাউবা বোক্সিংগী এচিভমেন্ট অমা হায়জরগদি মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা লোস এঞ্জেলস (য়ু এস এ) তা তৌখিবা ৱর্ল্ড পুলিস ফয়র গেমস ২০১৭ অদুনি। মদুদসু ঐহাক কিলোগ্রাম ৬০গী কাঙলূপ্তা শান্নজখি। হায়রিবা গেম অদুদা ইন্দিয়াদগী ঐখোয় নুপী বোক্সর মরিনা শরুক য়াজখি। ঐখোয় নুপী মরিমক তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটেগোরিদা সনাগী মেদল লৌজরকখি।

মণিপুরী মচাদা সী আই এস এফতা লৈবা বোক্সর এম মীনাকুমারীসু কিলোগ্রাম ৫৪দা গোল্ড মেদল ফংলকখি। লৈবাক ১১গী বোক্সরশিংনা শরুক য়াখিবা গেমস অদুদা ঐগী ওইনা অহানবা চাইনাগা থেংনখি। অদুগা ফাইনেলদনা টর্কিগী বোক্সর অমগা শান্নজরকখি। লোয়ননা সনাগী মেদল লৌবা ঙমজরকখি।


মখা তারকপা অসিদা ঐনা টার্গেট তৌজরিবসিদি মরুওইনা এসিয়ন গেমস অমদি ওলিম্পিক গেমসতনি। ওলিম্পিক গেমসতগী মেদল অমা লৌবা ঙম্নবফাওবদি ঐহাক শান্নজগে হায়না পূক্নিংদা চপ য়ুংনা লেপচরি।

- লোইরবা -

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
বোক্সিংদা মীৎয়েং অমা

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৫

১। ইম্ফালদা কুমজা ১৯৭৫দা নেসনলগী থাক্তা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মায় পাকখিবা টিম অদুনা ফংখিবা ত্রোফি অদুগী মমিং হায়য়ু।
২। পাচিসি (Pachisi) হায়বা মশান্না অসিদা পূন্না শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা শান্নগনি। টিম অনীমক্কী অপূনবা শান্নরোয় মশীং হায়য়ু।
৩। মহাক ৱিমব্লেদনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা চহী ৩৯ থংনা থংননা শরুক য়াখি। নুপাগী সিঙ্গলসতা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়নদি অমুকখক্তমক ওইবা ঙমখি। বৃটিশকী শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা এয়রসিপ অমা ওলিম্পিক্কী ফিরাল পুদুনা ষ্টেদিয়মগী মথক্তা কোয়পাই পাইদুনা লৈহনখিবগে?
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ক্যেরটেক্কর মেনেজর সোলকজেরনা ওইরগনি

লন্দন, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী)ঃ
ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী কুমজা ২০১৬তা মেনেজর ওইনা থৌ পুখিবা পোর্টুগল মচা জোর্জ মোরিনো ক্লব অসিগী মেনেজমেন্টনা ফম লৌথোকখ্রবা মতুং নোর্ৱে মচা মমাঙদসু ক্লব অসিমক্কী শান্নরোয় অমা ওইরম্বা গুনর সোলকজেরনা হৌজিক চখরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিগী লোইদ্রি ফাওবা ক্লব অসিগী ক্যেরটেকর ওইনা থৌ পুরগনি।



পনবা য়াই, ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা লীগ মেচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মতম কুইনদগী মখোয়গী লম্বা ওইদুনা লাকখিবা লিবরপুল ফুটবোল ক্লবকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীখিবা অদুগী মতুংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মেনেজমেন্টতা কোচ জোর্জ মোরিনোবু ফম লৌথোকখিবনি।

মোরিনোগী মহুত্তা নৌনা থৌ পুগদবৌরিবা গুনর সোলকজেরনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবতা শান্নরোয় অমা ওইনা কুমজা ১৯৯৬তগীনা ২০০৭ ফাওবা শরুক য়াদুনা পূন্না মেচ ৩৬৬ শরুক য়াখিবদা পাঞ্জল ১২৬ চনবা ঙমদুনা ক্লব অসিগা য়াম্না অচেৎপা মরী অমা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং দিবিসনা টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা মকোক থোংগদৌরি



বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী)ঃ
থা অসিগী ৩১দগী ইন্দিয়াগী মহারাষ্ট্র ষ্টেটতা পাঙথোক্কদৌরিবা টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ইভেন্টতা য়ূম্বু লৈবাক অসিগী নুপাগী দবলস শান্নরোয় রোহন বোপানা অমসুং দিবিস সরননা মকোক থোংবা পেয়র ওইগদৌরি।

পনবা য়াই, চহী অসিদা ইন্দো-নেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক-খিবা এসিয়ন গেমসতা নুপাগী দবলসকী টেনিস ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী পেয়র দিবিস সরন অমসুং রোহন বোপানানা টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সীদেদ ওইরিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ভেটরান শান্নরোয় লিএন্দর পেসনা মেক্সিকোগী শান্নরোয় মিগেল এঞ্জেল রিয়িসকা পেয়র ওইদুনা টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরি। পেস অমসুং মিগেলনা কুমজা ২০১৮গী সিজন্দা শান্তো দোমিনগো চেলেঞ্জরস টেনিস টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা চিকাগো, মোন্টিরে অমসুং ব্রেস সিটিদা পাঙথোকপা চেলেঞ্জরস টেনিস টুর্নামেন্টকী রন্নর্স-অপ তাখিবনি।

টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর সিক্স ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন অদুগা ৱর্ল্ড নম্বর সভেন ওইরিবা মমাঙদা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লমগী টাইটলসু লৌবা ঙমখ্রবা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিকসু শরুক য়াগদৌরি।

সিঙ্গলস কাঙলূপ অসিদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় গাইলস সাইমন্সসু টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা এদিসন অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

## শ্রি লঙ্কাগী মেন্দিস অমসুং মেথিয়ুজগী সেঞ্চুরিনা ন্যু জিলেন্দগা শান্নবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদু মায়থীরমগদবদগী কনখ্রে



ৱেলিংটন,দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী)ঃ
শ্রি লঙ্কাগী ক্রিকেট টিম্না ন্যু জিলেন্দা টুর অমা লৈরিবা অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ১৪দগী শান্নবা হৌখিবা অহানবা টেষ্ট মেষ্ট অদুদা শ্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী টিম অদুগী অনীশুবা ইন্নিংসতা কুসল মেন্দিস অমসুং এঞ্জেলো মেথিয়ুজনা য়াম্না ফজনা লৌখিবা সেঞ্চুরি অনীনা টিম অদুবু মায়থীরমগদবদগী কনবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোস য়ূম্বু লৈবাক ন্যু জিলেন্দনগী কেপ্তেন কেন ৱিলিয়মসননা ঙমদুনা হান্না বোলিং তৌখি। মদুদা শ্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ২৮২ লৌবা ঙমখি। শ্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী ওপনর দিমুথ করুনারত্নেনা বোল ১৪৪দা রন ৭৯ লৌখিবা অদুনা ইন্নিংস অদুগী হৌরকপদা য়াম্না মরু ওইবা মশান্না অমা উৎপা ঙমখি।

মহাক্কী পার্টনর দনুস্কা গুনথিলাকা শুপ্নগী রন অমখক লৌরম্লগা আউট তাখি। মহাক্কী মতুংদা চঙলকখিবা ধনঞ্জয় দি সিলবা অমসুং কুসল মেন্দিস মথংশিংনা রন ১অমসুং ২ লৌরম্লগা আউট তাদুনা টিম অদুগী অহানবা ইন্নিংস অদু ফিভম য়াম্না শোক্লা লৈখি। ৫শুবা বেটসমেন ওইনা শরুক য়ারকখিবা এঞ্জেলো মেথিয়ুজনা য়াম্না ফজবা ইন্নিংস অমা শান্নদুনা রন ৮৩ লৌরমখি। মেথিয়ুজ আউট তাখ্রবা মতুংদা ৱিকেট কিপ্পর নিরোসন দিকৱেলানা অমুক হন্না ন্যু জিলেন্দগী বোল্লরশিংগী এটেক্ট অদুবু মখাতানা মায়োক্লদুনা রন ৮০ লৌদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর অদু ৱিকেট ১০ তুবদা ২৮২ লৌবা ঙমখিখি।

ন্যু জিলেন্দনা শ্রি লঙ্কাগী অহানবা ইন্নিংসকী স্কোর ২৮২গী পাউখুমদা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পর্ফোমেন্স অমা উৎপা ঙমখি। ওপনর জিট রাভেল অমসুং টোম লাথমনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্শিপ্তা রন ৫৯ হাপচিনবা ঙমখি। রাভেল রন ৪৩দা আউট ওইখ্রবা মতুং নৌনা শান্নবা চঙলকখিবা কেপ্তেন কেন ৱিলিয়মসন অমসুং ফিভম ফজনা শান্নবা ওল্লিবা টোম লাথমনা মখাতানা অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা শ্রি লঙ্কাগী বোলরশিং অদুবু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী হান্না লৈরম্বা স্কোর ৫৯দগী অহেনবা রন ১৬২ হাপচিন্দুনা অপূনবা রন ২২১ য়ৌহনবা ঙমখি।

মশাগী রন ১০০ লান্থোকপা ঙমখ্রবা টোম লাথমগা শান্নমিন্নরম্বা কেপ্তেন কেন ৱিলিয়মসন বোল ৯৩দা রন ৯১ লৌরম্লগা আউট তাখিবদগী রোস টেলর শান্নবা চঙলকখি। টেলরনা টোম লাথমগা লোয়ননা শান্নরকপদা টিম অদুগী অহানবা ইন্নিংসকী স্কোর অদুগী মখক্তা রন ৯১ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর অদু ৩১২ য়ৌরকপা মতমদা রোস টেলর রন ৫০ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

টেলরগী মহুৎ শিল্লকখিবা হেনরি নিকোলসনা আউট ওইদনা শ্রি লঙ্কাগী বোলরশিং অদুবু মায়োক্লদুনা লৈখিবা ওপনর টোম লাথমনা মখা তানা টিম অদুগী ইন্নিংসকী অপূনবা স্কোর অদুদা রন ১১৪ হাপচিন্দুনা স্কোর বোর্দতা রন ৪২৬ লৈহনখি। হেনরি নিকোলস মশাগী রন ৫০ শুরপদা আউট ওইখি। মখাতারকপা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদুদা কোলিন দি গ্রানহোমিনা রন ৪৯ লৌরমখিবা অদুনা নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি স্কোর য়াম্না তৌবা ঙমখিবদবদী ন্যু জিলেন্দগা অহানবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৫৭৮ লৌবা ঙমখি।

ওপনর টোম লাথম আউট ওইদনা বোল ৪৮৯ মায়োক্লবদা রন ২৬৪ লৌরগা আউট ওইদনা লৈখি। শ্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী বোলর লাহিরু কুমারানা ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমদুনা খ্বায়দগী ফজবা বোলর ওইখি। পেরেরা অমসুং ধনঞ্জয়াসু ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

শ্রি লঙ্কানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ন্যু জিলেন্দদগী রন ২৯৬ শোত্থদুনা লৈখি। মখোয়না মখাতানা মেচ অদু মায়পাকপদগী নাথৈদুনা দ্রো চৎননবা শান্নবা হোৎনখি। ইন্নিংস অদুগী অহৌবা বেটসমেন অহুম শুপ্নগী রন ১৩দা আউট ওইখিবদগী মরীশুবা অমদি মঙাশুবা বেটসমেন কুসল মেন্দিস অমসুং এঞ্জেলো মেথিয়ুজনা য়াম্না মরু ওইবা ইন্নিংস অমা শান্নদুনা ঙসি শান্নখিবা ৫নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোয়শিনবা ফাওবদা আউট ওইনা মথংশিংনা রন ১৪১ অমসুং ১২০ লৌদুনা লৈখিহবা অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অনীগী অহানবা টেষ্ট মেচ অদু দ্রো চংখি।

## য়ু এ ঈগী অল এননা অর্জেন্টিনাগী রিভর প্লেটপু টাই ব্রেক্তা থোইদুনা ক্লব ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল য়ৌখ্রে



অল এন,দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী)ঃ
মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাকৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী সেমী ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী ক্লব রিভর প্লেটপু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং চহীগী টাইটল অদু স্পেনগী মমিং লৈরবা ক্লব রিএল মাদ্রিদনা ব্রাজিলগী ক্লব গ্রিমোবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। হায়রিবা চহী অদুদা মেক্সিকোগী ক্লব পাচুকানা অহুমশুবা পোজিসন ফংলগা মরীশুবা পোজিসন অদুনা ২০১৮কী য়ূম্বু ওইরিবা মমাং চহীগীসু য়ূম্বু ওইখিবা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী ক্লব অল জজিরানা ফংখিবনি।

ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ন্যু জিলেন্দগী ক্লব টিম ৱেলিংটনবু পেনাল্টিদা পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এ ঈগী ক্লব অল এননা টুনিসিয়াগী ক্লব এস্পেরেন্স দি টুনিসপু য়াম্না কোম্না পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা য়ু এ ঈগী অল এননা অর্জেন্টিনাগী ক্লব রিভর প্লেটকা লম্বা তৌনরকপদা মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ পাঞ্জল ২-২ লৈনখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু অল এনগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না পুশিনখিবা এটেক্ট অমদা শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা মার্কস বর্গনা চনখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈখিবা অর্জেন্টিনাগী ক্লব রিভর প্লেটকী মায়কৈদগী রাফেল বোরেনা ইক্বেলাইজর অদু শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা চন্দুনা টিম অনীম্মক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। রিভর প্লেটকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা বোরেনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা টুর্নামেন্ট অদুগী য়ূম্বু লৈবাক য়ূ এ ঈগী ক্লব অল এনবু পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

সেমীফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদু লোয়শিল্লকপদা অর্জেন্টিনাগী ক্লব রিভর প্লেটনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখিবা অদু অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা লুকাস ফর্নান্দেসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সেমীফাইনেল মেচ অদু টিম অনীম্মক পাঞ্জল ২-২দা মান্নদুনা লৈখি।

অর্জেন্টিনাগী ক্লব রিভর প্লেটনা অনীশুবা হাফ অদুদা মখাতানা য়ু এ ঈগী ক্লব অল এনগী মায়োক্তা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে। অমরোমদা অল এনসু পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা সেমী ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ অদু পাঞ্জল ২-২দা লৈনখিবদগী মশান্না অসিগী চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না মিনট ১৫/১৫গী হাফ অনী লৈবা এক্সত্রা টাইম হাফতুনা শান্নরকখি।

এক্সত্রা টাইম অদুদসু ক্লব অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী পেনাল্টিদা টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক অদুদা ক্লব অনীমক্কী মায়কৈদগী অহৌবা পাঞ্জল ৪/৪ চনবা ঙমখি। অর্জেন্টিনাগী রিভর প্লেটকী মায়কৈদগী পেরেজনা কাওখিবা ক্ল অদুগী মঙাশুবা কিক অদু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অমরোমদা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী ক্লব অল এনগী য়াস্লামনা কাওখিবা ক্লবা অদুগী ৫শুবা কিক অদু পাঞ্জল ওইখিবদগী সেমীফাইনেল মেচ অদু মায়পাক্তুনা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী সেমী মেচ অদু মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা অল এননা মমাংগী চেম্পিয়ন স্পেনগী রিএল মাদ্রিদ ক্লব অমসুং জপানগী ক্লব কসিমা এন্টলর্স অনীগী সেমীফাইনেল মায়পাকপা টিম অদুগা থা অসিগী ২২দা ফাইনেল মেচ অদু লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট সিগী ৫শুবা পোজিসনগী মেচতা টুনিসিয়াগী ক্লব এস্পেরেন্স দি টুনিস অমসুং মেক্সিকোগী ক্লব গ্বাদলাজরাগা লম্বা তৌনবদা পেনাল্টি টাইব্রেক্তা টুনিসিয়াগী এস্পেরেন্স দি টুনিসনা পাঞ্জল ৬-৫দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা পোজিসন তাখি।

## হিরো আই লীগতা মোহন বগান্না মিনরভা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে



গুরগাউন, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী)ঃ
হরিয়ানাগী গুরগাউন সিটিদা লৈবা টাও দেবি লাল মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ মেচ অমদা কোলকটাগী মমিং লৈরবা ক্লব মোহন বগানানা য়ূম্বু ওইখিবা ক্লব মিনরভা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা মোহন বগান ফুটবোল ক্লব মেচ ৭ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা, ৩ দ্রো চৎলবা মতুং, মেচ ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৮শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা য়ূম্বু ক্লব ওইখিবা মিনরভা পঞ্জাব মেচ ৮, শান্নবদা ৩, মায় পাক্লগা মেচ ৩ দ্রো চৎলবা মতুং ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

লীগ অসিগী ওইনা চেন্নাই সিটিনা মেচ৮ শান্নখিবদা মেচ অমত্তা মায়থীবা নংদনা ৫ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা মকোক্তা লৈরি। মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব নেরোকা এফ সী মেচ ৮ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা মেচ ২ দ্রো চৎখিবা অমসুং ২ মায়থীখিবনা মরম ওইদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা রিএল কাশ্মীরগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা হন্থবদগী অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ঙসিগী মেচ অদু টিম অনীমক মায় পাক্নবা ফনা কন্না শান্নরবসু অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈখিদে। মেচ লোইগদবা মিনট ১০ ৱাৎলিঙৈদা মোহন বগানগী ঐচ কিসেকানা পাঞ্জল অমা চল্লগা মিনরভা পঞ্জাবপু মখোয়না থোইরগা পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।